# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ১৪৪

- ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম -

লৈবাকসে ওল্লে, শকফমসু হোংলে, ফীভমসু কায়রক্লে মতম অমগী মণিপুরগী শক্তমদু খঙহৌদনা তক্লরুবা নাইদনা পুমহোং হোংলে। অসিগুম্লবা লমদমসিদা লৈঙাক্লিবশিংনা খরদং তুং-মাং য়েংবীদুনা কখোক্লবগী মতম ওইদ্রিবরা? মণিপুরদা ঙসি ওইরক্লিবা শক্তম কূপ্না খন্থবীবা মতাংদি ওইরে। মণিপুরবু অওনবা, অহোংবা পুরক্কনি লাউরম্বশিং থবক ওইনা পুমওন ওন্থোক্লে। নোং চুরি, ঈশিং য়াওদ্রে। লৌমী ইচিন ইনাওশিং কোক্তা খূৎ হাপ্পরে। অসি য়ৌনা ৱানরবা ফাওবদা ইশা-ইশাগী ওইজনামগীদমক খল্লগা চথরক্লিবা খোঙফম খরদি নাকল অনীমক খন্থবা মতাং ওইদ্রিবরা? তোলোপ চাবশিংগীদি ঈকং থোক্তে, লৈঙাক্কী তোলোপনা কয়া ফংনদ্রবসু নোংমদি শোয়দনা পূন্না ফংগনি। লৌমী ইচিল ইনাওশিংগী ৱারবা মতাং অসিদা করম্না লৈঙাক্লা করি পাম্বে তৌরগা শেমগৎপীগনি। পোলিটিকেল পার্টিশিং, এম এল এশিং, মিনিষ্টরশিংদি মশা-মশাগী য়েংদুনা মোন্তেক-মোন্দুমথক্তা নীংঙাইদনা তূমখুল তাল্লি।

মসিগী মথক্তা মণিপুরগী এম এল এশিং এ সী ৬০গী লুচিংবশিংগী চীং-তম অনীগী মীহুৎ ওইবিরিবশিং চীংসু-তমসু ঈকং থোক্লে লাউথোকপা ফাওবা ঙমদবসি করিগীনো? লৈঙাক্কী কর্ম্মচারিশিংদি ঈকং থোক্তে। হার মথৌ তাদে হায়না খন্দোকপদি লাইনসু য়াররোই, মীনসু য়াররোই। লৈঙাক্কী শিন্মী, এম এল এ, মিনিষ্টর খুদিংমক ৱাখল তাবা মতম ওইদ্রিবরা? ঙসি এম এল এ ওইরিবশিং মীচম মীয়ামবু করি ওইনা উবিরবগে? মীয়াম ৱাবগী খম থেংলবা ফাওবা খঙশিন্নদবদি করিগীনো? মসিমদি নীংশিংমীনরসি। মীয়ামনা ঈশিংনি, এম এল এশিংনা ঙানি। ঈশিং লৈত্রবা ঈকং থোক্লগা লৌমীশিংনা লৌ উবা য়াদবগুম, মীচম মীয়ামনা য়াদ্রবদি এম এল এ, মিনিষ্টর কয়াম কুইনা হিংবা য়াগনি। মণিপুর মীয়াম করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে হায়বা ফাওবা খন্থবীদবসিদি মীয়াম্বু থৌশাবীদবনি। ঙসিগী ২১শুবা চকসিদা ওল্লক্লিবা, হোংলক্লিবা ঈচেল, য়াওল খরদং হেন্না কূপ্না নৈনবীবগী মথৌ তারব্রা খল্লি। মমাঙথক্কী ভোট মমাঙদা লাউরম্বা, ঙাঙলম্বশিং মীয়াম্না খুদম চাংদমনি। মীয়াম তানখবা ঙাক্তনি। চীংসু-তমসু মীগী মী ঙাক্তনি। অৱাবা নংলবা মতমদা মীওইবা খুদিংমক মীনুংশি হায়বসি লাপ্না থমখিবনি। লাংনা-লাংনা পেন্নদবা কয়ানা চহী খরদি হৌজিনখ্রে। চৎখিবা চহীশিংদা মশক থোকপা করিবু থবক ওইনা পায়খৎপীখ্রবগে? মতমগী মমল মীওইবনা লেপ্পা ঙম্বা হৌনদে। মীনা শিবদি চিন্দা শিবা তাবনি। মতম অমগী ফজ-ফজরবা ৱাঙাঙশিং, ঙাঙথোকখিবশিং ঙসিগী মীয়ামগী নাকোংদগী নাথৈবা খক য়াররোই। ঙসিগী হোংলক্লিবা ঈচেল, ওল্লক্লিবা য়াওল মীয়াম্না তরং তরং মীৎমাংদগী কৈদৌনুংদা নাথৈবা খক য়াররোই। মতম অমগী মীবু মীনা থমাইবা, মীবু মীনা শুমহৎলম্বগী মতমদু লোইখ্রে। মতম অমদা ভোট লেপমিন্নবা মীশক খন্নরম্মী। অদুবু ঙসিগী য়াওল অসিদা এ, বি, সী ফাওবা খঙদবা ইন্দিয়ন কন্সটিটুযুসনগী লুর-লুরবা কয়াবু মশক খঙদবা কয়ানা ভোটকী মতমদা কেন্দিদেট ওইনরক্লিবা মতমনি। মমাঙথক্কী ভোটতা লুপা লিশীং ২না ভোট্টর লৈনরম্মী অদুবু মথংগী ভোটকী মতাংদা লুপা লিশীং ৫ ফাওবা পীদুনা লৈননবা থৌরাং তৌজরবসু পৈশানা থোং শারগা চাউরবা ঈপাক লানগনি খল্লম্বা, খল্লিবা কয়াসু মশীং খঙদ্রবা চকনি। ঙসিগী ওল্লক্লিবা য়াওল, হোংলক্লিবা ঈচেল অমত্তা তরাইবা নত্তে হায়বসি লৈঙাকপশিংনা কাউবীদবা ফৈ। মসিমক খল্লগা তুংগী পোরম য়েংবীহৌ। মতম অমদা ভোট খুদিংমক্তা শেলনা খুদুম চল্লম্বা কোংগ্রেস পার্টিনি। ঙসিদি পাড়া ফারবা শেঞ্জাও পায়বা পুনীং-পুনীংবা পুবা ঙম্বা পোলিটিকেল পার্টিগী মরক্তা বি জে পিসু অমনি। অসিগুম্বা চক অমদা লৈঙাক পায়মিন্নরকপা তরাইবা নত্তে। পোকমিন্নবা মচিন মনাও ফাওবদা ঐগী-ঐগী, মীগী, মাগী খায়নরকপা মতমগী খম থেংলবা ঈহৌ য়াওল অমনি। এম এল এ, মিনিষ্টরদি লায়রদনা, মসিগীসু মথক্তা শেঞ্জা থুমজাগী কল্লবা মতম অমদি মফম খুদিংমক্তা লেপ্তুনা চথ্নরকপা, ভোটকী মতমদা লুপা লাক্ষ, ক্রোরগী থোং শারগা লান্থোক্লরকপনি হায়বসি পূন্নমক্না ইখঙ খঙনরবা ঙাক্তনি।

মণিপুর মীয়াম ৱাবগী খম থেংলবা মতম অসি ফাওবা ইমুং-মনুং খৎনবগী ৱাফমদা মীয়ামগী থবক থৌরম পুকচেল খোয়জেল তিন্নদনা লৈরে হায়বসি ইখঙ খঙনরবা ঙাক্তনি। এম এল এ, মিনিষ্টর ওইবিরিবশিংগী মরক্তগী চমজরবা মীওই লিশীং কয়াগী মথক্তা পোলিটিক্সকী লম্দা খঙ-হৈরবা শেঞ্জাও পায়বা মীচম মীয়াম কয়ানা তোর্ব্বান্দা লেপ্তুনা কদায়দা করি, কনানা করি তৌনরিবশিংগী মরক্তা মীওই লিশীং কয়াসু য়াওদবা নত্তে। মসিগী মথক্তা পোলিটিক্সকী লম্দা খঙ-হৈরবা চহী ২০/৩০গী মথক্তা পোলিটিক্সকী কাঙলোন্দা ভোট ফাওবা লেপখিবা কয়া অমসু তোর্ব্বান্দা মীকুপ নাহুম শীংনা য়েংবা মীগী মশীং কয়াসু লৈতবা নত্তে। পূন্নমক অসিগী মথক্তা লৈঙাক পায়মিন্নরিবশিংগী মরক্তা মিনিষ্টর ফমগীদমক কু-বুদ্ধি তৌদুনা অশোয়বা অরানবা কয়াবু য়াম্না কূপ্না য়েংদুনা চৎমিন্নরিবনি। পোলিটিক্সতা অপূনবা লৈঙাক হায়বসি তরাই তরাইবা নত্তে। অপূনবশিং অদুগী মরক্তা অখাবা, অয়াকপা, অশিনবা শোয়দনা য়াওফম থোকই। মসিগী মথক্তা থম্মোয় শেংনা শেঞ্জা থুমজা য়াওদনা থবক ফজনা তৌনীংবা খরসু শোয়দনা য়াওরিবনি। মসি পূন্নমক্কী মথক্তা মিনিষ্টর ওইরিবশিংগী মরক্তা হেন্না শেঞ্জা থুমজা পাম্বা মীশকসু য়াওরল্লোই করম্না হায়রুগনি। ঙসিগী ২১শুবা চক অসিদা এম এল এ অমমমদা লুপা ক্রোর ১০/২০ পীরগা লৈবা ঙম্বা এম এল এ, মিনিষ্টর কয়াসু শোয়দনা য়াওফম থোকই। মসিগীসু মথক্তা মিনিষ্টর ফম পীরগা লুপা ক্রোর ৫/১০সু শেন্দোং ওইনা হাপ্পগা ঐবু লুচিংবা ওইহন্নবা শরৌ লাং থাক্লবসু য়াওরল্লোই করম্না হায়রুগনি। মরম অদুনা ইমুং-মনুংগী ঈরাং পাক হেক নেমথবা য়াররোই, চঙশিল্লুরবা, খৎনবা হৌরুবা হায়বসি নুং-পানগী পোলিসি খঙনবা ঙাক্তনি। মসি ঙম্নমক্কী মথক্তা লুপা ক্রোর ১০/২০ লৌথোক্লবা মতুংদা পেন্নদবা কয়াসু শোয়দনা য়াওফম থোকই। নুংশিৎ শিৎতনা উনা খক লেংদে। উনা লেংলকপা মতমদা নুংশিৎ শিলে খঙনবনি। এম এল এ লৈরগা মিনিষ্টর ফম পায়বসি য়াম্না লায়না খঙনরবা মতমনি। হন্দক্কী বি জে পিগী লৈঙাক অসি চম্না তরাইনা খন্দোকপা য়াররোই। এম এল এ অমমমদা লুপা ক্রোর ১০/২০ পীরগা অনৌবা লুচিংবা শিনবা তরাইবা ওইরবদি ইন্দিয়াগী মনুংদা শেঞ্জাও পায়বা পোলিটিকেল পার্টি অমসু ইচাউ চাউনা মীকুপ নাহুম য়েংদুনা লৈরি। পোলিটিক্সকী ঈরাংসি মণিপুরদা নত্তনা ইন্দিয়াগী মনুংদা ঈহৌ অমদি লৈতবা নত্তে। হন্দক্কী এম পি ভোটকী মতাংদা মায়থীহৌরবা কোংগ্রেস তকসি শোন্দুনা মীকুপ নাহুম য়েংলি হায়বসি কাউবীগনু।

মসিগী মথক্তা কোংগ্রেসকী ওপোজিসন্দা লেঙদনা এম এল এ ২০ ইচাউ চাউনা কুম্মৈ য়েংলি। কুম্মৈ য়েংলিবা কোংগ্রেস তরাইবা নত্তে। মতম শাংনা চহী ৫০ লৈঙাক তৌরক্লবনি। অফবা ফত্তবা অহোবা কয়াসু মমুৎ তানা খঙলবনি। মমাঙগী ২৮ কাজবা কোংগ্রেসপু ২২ কাজবা বি জে পিনা খাঙুথক্তা লৈঙাক মুনখিবা পেল্লমগনি নীংদে। ইন্দিয়াগী ওইনা শিথরক্লবা কোংগ্রেসনি। মরম অদুনা মঙম শান্দবা পার্টিনি। খূৎচাউ থাবসু য়াদনা নীংবা কায়না খাঙলিবনি। খাঙবগী পাঙ্গল য়েংনীংবা, য়েংনীংদবা পূন্নমক থাদোক্লগা লীদর অমা লৌরগা এম এল এ অমমমদা লুপা ক্রোর ১০০/১০০ পীরগা লৈগদৌরিবা এম এল এ ১২ লৈবা ঙম্বা কোংগ্রেসনি। মতম শাংনা লৈঙাক্লকপগী লৌশিং, পাঙ্গল লৈতে হায়না খন্দবসু য়াররোই। ঙসিগী চকসিদা শেল পামদবা এম এল এ শুকলৈমক লৈতরে। মসি পূন্নমক মীচম মীয়াম, এম এল এ খুদিংমক ৱাখল তানরবা ঙাক্তনি।

তশেংনমক ঙসিগী লৈঙাক অসিগী পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মনুংদা ইন্দিয়ন কন্সটিটুযুসনগী চৎন-কাঙলোন য়াম্না কূপ্না, মনুং হুনজিনবা পাড়াসি তরাইবদি নত্তে। অসুক লুরবা পোলিটিক্সকী কাঙলোনসিদা তরাই তরাইনা খন্দোকপদি ইশা ইশাগী নুংগী শক্তম য়াম্না কূপ্না খন্থমিন্নবা তাঞ্জানি। ইমুং-মনুংগী খৎনবনি হায়দুনা মীয়ামগী থবক থৌরম কয়াদা অহোবা লাকহনবসিদি লাইনসু য়াররোই, মীনসু য়াবা ঙম্লরোই। মীচম মীয়ামসু ঙম্লরোই। মরম কয়াসিনা ইন্দিয়া লৈঙাক পায়রিবা শ্রী মোদিজিগী বি জে পি লৈঙাক্লা তুমিন লৈরিবসি নুংগী পাড়া খঙলিবনি। মতাংসিদা ঐখোয়গী সী এম বিরেনগী মীসু খরদি থম্মোয় শেংনা য়ানবা এম এল এ, মিনিষ্টর য়াওদবা নত্তে। মাবু শিন্দোকপা পাম্বশিংগী মনুংদা থম্মোয় শেংনা নুং-পানগী অচুম-অরান মশক মুন্না খঙবা মীশকসু শোয়দনা য়াওরমগনি। অচুম্বগীদমক, অশেংবগীদমক শেমদোক-শাদোক্লবদা পূন্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি। অদুম ওইনমক চহী অনীগী লৈঙাক অসিনা চথরক্লিবা ঈহৌসিদি খরা হেন্না খন্থমীন্নবগী মতম ওইরব্রা খল্লি। মণিপুরদা মতম শাংনা কোংগ্রেস লৈঙাক্কী শেঞ্জা থুমজা, শঙ্গ-পঙ্গগী কল্লবা ঈহৌশিং পাড়া অমা তম্বীবা মতমসিদা অনৌবা মরূ ফাওবা হুনবদা হৌরমদবা বি জে পিনা খঙহৌদনা লৈঙাক পায়রকপসি মীয়ামসু ঙকই। পোলিটিকেল পার্টিশিংসু ইথক থকৎনৈ। বি জে পি লৈঙাক লাকপদগী বন্দ, ব্লোকেদকী ইৱাই ইনিলবুদি তাখিদ্রে। মসিগী মখা তাবদা বি জে পি লৈঙাক্তা থাজবা য়াবা, ঙাঙথোকখবশিং অমত্তা পাউদম্বা য়াবা য়াওদে। মন্ত্রি-মন্দল খরদি থাজবা-থাজদবা মশক থোকপা য়াওরম্বা য়াই। মসি পূন্নমক্কী মথক্তা মিনিষ্টর, এম এল এ খরগী মরুমদা থবক তৌরুবা ঠিকাদার খরসু মশক থোকপদি য়াওদবা নত্তে। মিনিষ্টর, এম এল এ মনাক নকপশিংনা মশক থোকপা য়াওনরক্লিবসি ওন্থোক্লা ৱাহন্থোক লৈনা লৌনদবদি নত্তে। বি জে পি চাউবোক লৈঙাক অসিদা লৈঙাক পায়বগী ঈরাং থোরকপা হায়বসি চম্না খন্দোকপসু হৌজিক্তি য়াররোই। মসি খঙলবা মতুংসিদি লীদর ওইবা য়াবা মতিক চাবা মীশক, সেন্টরনা থাজবা য়াবা মীশক য়াওদবদগী সেন্টরনা খূৎ থাবা ঙমদবনি হায়বসি মীচম মীয়াম, পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্লা ঙসিদি তশেংনা খঙনরক্লে।

মসিগী মখা তারকপা বি জে পি পার্টি অসি চনীং তানা খন্থমিন্নদুনা ৱাথোক ওইরিবা লীদর শিনবসি তরাইবা ওইররোই। মরম অদুনা ইথা থাজদবা মায়ওন অমা লাক্লবগী পোরম ওইনা থোক্লগনি। মসিগী মতাংদা হন্দক্কী মণিপুরগী এম এল এ খুদিংমক সেন্টরদা চৎনরুবদগী সেন্টরনা থাজবা য়াবা এম এল এ, মিনিষ্টর মতিক চাবা য়াওদবদগী খূৎ থাবা ঙমদবা শোয়দনা ওইরগনি। মমৈথংদা মপাম চাকসু চাদ... হায়বদু তাদুনা তোক্লরনি হায়বসি কোংগ্রেসপু পামজবা মীচম মীয়াম্না মীপাইদবা ফাওনদবসু নত্তে। মসিগী মখা তাবদা ইতোপ তোপ্পা সেন্টরনা থাজবা মীশক অমা ওইনা লীদর খল্লক্লবদি হায়বা ফাওবা ঙাঙনরক্লিবসি থোক্লবদি চম্না তরাইনা খন্দোকপা য়াররোই। মরম অদুনা ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সতা চথ-রক্লিবসি মণিপুরগুম্বা অপিকপা ষ্টেট অসিদদি সেন্টরনা কা হেন্না লূম্না খন্থবীরমগনি হায়বসি খন্থদবা য়াদবনি। ফাগী ফাগীদগী লীদর শিনবসি চম্না তরাইনা খন্দোকপা য়াররোই। ঙসিগী লৈঙাক পায়রিবশিংগী এম এল এ, মিনিষ্টর খুদিংমক মাগী মাগী হৌরকফম বি জে পি ওইনা মখোঙদগী মতোন ফাওবদা অমত্তা য়াওদে। মরম অদুনা সেন্টরনা করম্বা গ্রাউন্দদা থাজবা থমলুগনি। ঙসিগী পোলিটিক্সকী চোঙথোক চোঙশিনগী কল্লবা ঈরাং মরক্তা হীরম খুদিংমক্তা থাজবা য়াবা এম এল এ, মিনিষ্টর য়াওদবদগী সেন্টরনা খূৎ থাবা ঙমদবা শোয়দনা ওইরগনি।

মপূং ওইনা শ্রী বিরেনগী লুচিং মখাদা লৈঙাক পুমিন্নরিবা খুদিংমক ইশা ইশাগী তুং-মাং খন্থবীরগা ইশাগী মতিক চাবা চাদবা ইশা-ইশানা খঙজগদবনি। ঙসি লৈঙাক পুমিন্নরিবা এম এল এ, মিনিষ্টর খুদিংমক মাগী-মাগী পুন্সিগী হৌরকফম অমত্তা পুন্দে। মসিমক খল্লগা মাগী মাগী হৌরকফমদা অমুক হন্না চঙনখ্রবদি অৱাবগী মথক্তা অৱাবা তামিন্নগনি। মপূং ওইনা তোর্ব্বান্দা লেপ্তুনা ঙাইরিবা কুম্মৈ য়েংলিবশিংনা মিনিষ্টর ফমসু পীবিয়ু, শেলসু লৌবীয়ু হায়না কৌথোকপা য়াওরল্লোই হায়বসিদি হায়মনবা থোক্কদ্রা? উচিদা অমুক হনজিল্লু, কৈনা তোকপা পোকপরা? মালেমসি মতুম তাবনা হৌরকফমদা হন্নখিবদা করিসু ঙক্লিংঙাই ওইদ্রে। চফু কায়রগা ক্বাকনা হরাওই। অৱাং মায়কৈদা শাদানবা লাক্লে, খা মায়কৈদা মণিপুর থুগাইবা হৌরক্লে, মণিপুর মনুংদা ফম মীহৌনবগী ঈরাংনা খাইবুং-খাইবুং তানরিবা অসিনা ইরমদম অসি কনবা ঙমখিগদ্রা? মণিপুর থুগাইবদা ঐসু, মীসু, নঙসু, মাগীসু মাঙমিন্নরগনি। ঐখোয় পুল্লসি, অপূনবগী শক্তিনা ইরমদম কলহৌরসি। ইমুং-মনুংগী ঈরাংনি হায়দুনা ঈকং থোক্লবা ফাওবা ঈরাংনা লাউথোকপা তপ্লিবসি মীয়াম পেন্নরমগনি খনবরা? ঈরাংগী মীফমদা মিনিষ্টর মশীং শুনা য়াওনদবসি অফবা খোঙথাং ওইগনি নীংদে। মসিগী মতাংদা সেন্টরনসু হেন্না কূপ্না খন্থবীদুনা মীয়ামগী পুন্সিবু অৱাবদগী কনবীবসু মথৌ তাগনি খল্লি। ঈশিং ওইরিবা মীয়ামনি হায়বা কাউনরগুমসি। ঈশিং লৈত্রবদা ঙা লৈবা খক ঙল্লোই। ঙা ওইরিবা লৈঙাক পুরিবশিং ঈশিং কংখ্রবদা কয়া কুইনা ঙা ওইদুনা হিংবা ঙমগনি। ●

# অচুম্বা পাউতাক

- হাওমোম বাবু -

চুমদবা খল শীজিন্নবা মীদুবু লাইনিংথৌনা হঙ্গোই। ইবুংঙোদি চুম্না ওনবদুদা হরাওজে। নাপল তৌবা মীদু য়াম্না থুনা ইকায়বা নংগনি। নোল্লুকপনা অশিংবনি। নখোয়না পুকচেল শেংবা মী ওইরবদি অফবদু ওইরগনি। থাজবা য়াবা মীদু পুকচেল শেংদবদুনা অদুম মাঙহন্নবা মচাক অমা ওইরকই। শিবা নুমিত্তা লন্না করিসু কান্নদে। অদুবু পুকচেল শেংলবদি লেঙদবনি। পুকচেল শেংবনা পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ঙমই। অদুবু ফত্তবা মীদুদি মশানা মশাগী মায়থীনবা শিঞ্জে। অচুম্বা তৌবনা পুকচেল শেংবা নুপা অমবু কনবা ঙমই। অদুবু থাজবা য়াদবা মীদুদি মশানা ঙাঙবা ৱাদুনা লাং ওইজে। ফত্তবা মীনা শিবা মতমদা মহাক্লা নীংজরম্বা অমদি তৌজরম্বা পূম্বা মাঙখি। লনদা থাজরুবা অরেম্বনি। অচুম্বা তৌবশিংদু অৱাবা তাবদগী কনবি। অৱাবদু ফত্তবশিংদা তাই। মপুবু থাজদবা মীনা ঙাঙবা ৱানা নখোয়বু মাঙহনবা য়াই, অদুবু অচুম্বা মীগী লৌশিংদুনা নখোয়বু কনবীবা ঙমই।

পুকচেল শেংবা মীনা লন লৈরবদি, সহরদুদা লৈরিবা মীশিংদু নুংঙাইবনি। ফত্তবশিংনা শিবা মতমদা মীয়াম্না হরাওদুনা লাউই। অচুম্বা তৌবশিংনা সহরদুদা থৌজাল পীবিবা মতমদা অদুগুম্বা সহরদু থোইদোক্লা অচৌবা অমনি। অদুবু সহর অমা মাঙহনবা হায়বসি ফত্তবা মীশিংগী মচিন্দগী থোরকপা ৱাদগী ওই। মী অতোপ্পবু চৈদুনা ঙাঙবদু অশিংবা থবক নত্তে, করিগুম্বদা নখোয়না লৌশিং লৈবা মী ওইরবদি তুমিন্না লৈগনি। মীৱা ঙাঙগনবা মীদি অরোনবা ৱা শিন্নবা য়াদে। অদুবু থাজবা য়াবা মীদা অরোনবা হায়বদুদি কিনীংঙাই লৈতে। কাঙলূপ অমা মাঙবা হায়বসি লমজিংবীনবা য়াওদবা মতমদা থোকই। পাউতাক পীবা ঙম্বা মী য়াম্না থম্বা হায়বসিনা শোয়দ্রবা লৈঙাকনি। মশক খঙদবা কনাগুম্বা অমগী শেন্দোন শিংগে য়ারুরবদি নীংবা কায়নীংঙাইনি। মদুগুম্বা থবক্তা খূৎ থিংজিল্লুদবনা হেন্না লেমগনি।

পুকচেল তপ্পী নুপীদু ইকায় খুম্ননীংঙাইনি অদুবু অসিগুম্বা গুন চেন্দবী নুপীদু ইকায়বগী মশকনি। অতনবা মীনা লায়রা তানবনি, অদুগা থৌনা ফরগা লাইবক ফবা থেংনবনি। থৌজাল লৈরবদি মদুমক্লা মহাক্কী পাম্বৈনি। তমথীরবদি তমথীবদুনা মশাবু মাঙহল্লি। ফত্তবা মীশিংদি তশেংনমক শেন্দোং ফংদবনি, অদুবু নখোয়না অচুম্বদু তৌরবদি মদুগী মহয়দি শোয়দনা ফংগনি। অচুম্বা তৌগে লেপ্পিবশিংদু শোয়দনা অমর ওইগনি। অদুবু অরানবা তৌগে তেমশিংলিবা নুপাদু শিগনি। লাইনিংথৌনা ফত্তবা ৱাখল চেনবশিংদুবু হঙ্গোই, অদুবু অচুম্বা তৌবশিংদুবু ইবুংঙোনা লুনা তৌবী। ফত্তবা থবক তৌবশিংদি চৈরাক ফংগনি হায়বসি শোয়দ্রবনি, অদুগা অচুম্বা থবক তৌবশিংদু চৈরাক্তুদগী নান্থোক্কনি। মনাতোন্দা সনাগী খুদোপ শীবিবগুম্বনি।

অফবা মীনা তৌগে নীংবা থবক খুদিং অফবতা ওই। অদুবু ফত্তবশিংনা পাম্লিবদু ফংবা মতমদা ফত্তবা ওইরকই। মী খরদি অরেম্বদা শেল খরচ তৌথোকই অদুগা হেন্নদুম শেল পায়বা হেঙ্গৎলকই। খরনা চেকশিন্না খরচ তৌই। অদুবু হেন্না লায়রৈ। থৌজাল লৈরবদি হেন্না চাওখৎলকপনি। অতৈবু তেংবাঙলবদি নখোয়বুসু তেংবাঙলক্লি। মহৈ-মরোং লোত্তুনা থম্লগা মমল হেন্না য়োন্নবা হোৎনবা মীওইদুবু মীয়াম্না হঙ্গোইনৈ। অদুবু মহৈ-মরোংদু পুথোক্তুনা মমল চানা য়োনবা মীওইদুবু মীয়াম্না থাগৎনৈ।

নখোয়না চুম্না পন্থুংলবদি মীয়াম্না ইকায়খুম্নবনি। অদুবু করিগুম্বা খুদোংথীবদু থিদুনা লৈরবদি খুদোংথীবদুমক ফংগনি। লনদা থাজদুনা চাউথোকচরিবশিংদু নিংথম থাদা উনা কেনবগুম্না কেন্দুনা মাঙগনি। অদুবু অচুম্বশিংনা উনা অনৌবা কালেন্দা চোংবগুম চোংলক্কনি। ইমুং-মনুংদা অৱাবা তাহল্লিবা নুপাদু মমৈদা মাগীনি হায়বা করিসু লৈরোই। অপঙবদি অশিংবগী মনাই ওইবনি। অচুম্বদুনা পুন্সি মপূং ফাহল্লি অদুগা তমথীবনা পুন্সিবু মাঙহল্লি। অফবা মীশিংদি মালেমসিদা লৈরিঙৈদা অফবদুগী মহয় ফংই। মরমসিনা ফত্তবা অমদি অরানবা তৌবশিংদু চৈরাক ফংগনি হায়বসি শোয়দ্রবা ৱানি।

লৌশিংবু পামজবশিংদুনা লাল্লবা মতমদা চুমথোকহন্নীংই। অরানবা চুমথোকপা য়াদবা চুমথোকহন্নীংই। অরানবা চুমথোকপা য়াদবা নুপাদু অপঙবনি। অফবা মীশিংদুবু য়েংলগা লাইনিংথৌনা হরাওই অদুবু ফত্তবশিংনা থৌরাংলিবদু য়েংলবদি মাঙহনবীনবা থৌশিলনি।

ফত্তবনা অশোইবা পুরকই, অদুগা অচুম্বা তৌবশিংনা লেঙদবা ওই। অফবা নুপীদি মপুরোইবগী চাউথোকচফম অমদি হরাওজফম ওইনৈ। অদুবু মপুরোইবগী মমায় থিনবা তৌরিবদু নুপীদুদি কেন্সর কৌবা লায়নাদুগা পানখক্লি। মপুকচেল শেংবা মীশিংনা নখোয়বু ফজনা তৌবিগনি, অদুগা ফত্তবশিংনা নখোয়বু মীনমগদৌবগী থৌরাংগনি।

ফত্তবা মীনা ঙাঙবা ৱাদি মীহাৎপা ঙম্বনি, অদুবু অচুম্বশিংনা ঙাঙথোরকপদি কনা লৈজদ্রবশিংগী চঙজফম ওইবনি। ফত্তবশিংদি মখোয়গী অরোইবদু থুনা লাকই অদুগা মচা-মশু থম্নরমদে। অদুবু অচুম্বা তৌবা মীশিংগী ইমুংদুদদি মচা মশুনা লৈরিক থল্লি।

নখোয় লৌশিং লৈবা মী ওইরবদি, নখোয়বু মীনা থাগৎনগনি। নখোয় অপঙবা মী ওইরবদি, মীয়াম্না নখোয়বু হন্থনা য়েংগনি। অফাওবা শাদুনা চরা হেনগদৌবগী শরুকপুদি, করিসু লৈতবা মী ওইনা লৈরগা চরা হেনদবনা হেন্না ফৈ। অফবা মীনা শা-ষণবু লুনা তৌই। তৌইগুম্বসুং ফত্তবা মীশিংদি মখোয়গী শা-ষণ ফাওবা ওৎ নৈবি। থবক কন্না নোম্বা লৌ উবা নুপাদু চাবা ৱাত্তে অদুগা কান্নদবা থবক তৌদুনা মতম মাঙহনবদি অপঙবতনা তৌগদবনি।

ফত্তবশিংনা মতম লৈবদা থিরিবা থবক্তি ফত্তবা থবক তৌবদুনি, অদুবু অচুম্বা থবক তৌবশিংনা খোঙফম লেঙদনা লৈ। ফত্তবা মীদু মচিন্না লাং থাকই, অদুগা পুকচেল শেংবা মীদি খুদোংথিবদা তারবসু নান্থোকই। নখোয়না তৌবা থবক্লা মহয় পুরক্কনি, নখোয়না তৌবদু নশানা ফংজগনি। অপঙবা মীশিংনা মখোয়না তৌরিবদু অচুম্বনি নীংই।

অশিংবা মীশিংনা মীগী পাউতাক লৌই। অপঙবা মীনা খাংবা ঙল্লক্ত্রবদা অরোনবদু হায়দোকই। লৌশিং লৈবা মীনা ইকায়বা নংদে। অচুম্বা ঙাঙবা মতমদা অচুম্বা তৌরবনি, অদুবু অরানবা ৱা ঙাঙলবদি অচুম্বদু লৈত্রবনি। থাঙনা য়ানবগুম্না ৱাখল তৌদনা ঙাঙবা ৱানা মীবু নুংঙাইহন্দবা ঙমই। অদুবু অশিংবা মীগী চিন্দগী থোরকপা ৱাদুনা য়াইফহনবনি।

মীনম্বা ঙাঙবদি কুইদে অদুগা অচুম্বনা মাঙখিবা লৈতে। ফত্তবদা থৌরাং তৌদুনা লৈরিবা মীদু অঙকপা খুদোংচাদবা থেংনৈ। অদুগা অফবা থবক তৌরিবশিংদুদি নুংঙাইবনা শরুক ওই। অচুম্বা তৌবশিংদা খুদোংথিবা থোক্তে, ফত্তবশিংদি খুদোং থিবা নংবা নত্তনা করিসু ফংদে। লাইনিংথৌনা মীনম্বা ঙাঙবশিংদুবু হঙ্গোই অদুগা ৱা শোয়দবা মীশিংদুবু ইবুংঙোনা পেনবী।

লৌশিং শিংবা মীশিংনা মখোয়না খঙলিবা ৱাদু ফোঙদোক্তুনা তুমিন্না লৈ, অদুবু অপঙবা মীশিংদি মখোয়গী অপঙবদু ফোঙদোকই। থবক কন্না শূবনা থৌনা হাপ্পনি, তল্লবদি মনাই ওইবনি। অৱাবা তারবা মতমদা নুংঙাইবা মাঙখিবনি, অদুবু থোৎনা নৌনা ৱা ঙাঙববু তারগা পূক্লিংদা নুংঙাইহনবনি। অচুম্বা থবক তৌবশিংদি মরুপ-মপাংশিংদা লমজিং পীবা ঙমই। অদুবু ফত্তবশিংনা চৎপা লম্শেলদুনা মখোয়বু লান্না লমজিংই। তল্লবদি ফংগে তাল্লিবা পোত্তু ফংবা ঙমদবনি। অদুবু থবক কন্না নোম্লবদি লন ফংবনি। পুন্সি মশক খঙগে হায়রবদি অচুম্বা লমচৎ চৎলু অদুগা ফত্তবা লমচৎ চৎলবদি চঙনা শিবনি। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০০

১। ‘কোন্থৌজম য়ূমফম’ মণিপুরী পুৱারীদা চাউনা মফম কল্লিবা অমনি। হৌজিক রাজ্যপালনা লৈরিবা মফম অসিনি। মফম অসিদনি মৈদিংঙু চীংথংখোম্বনা ইহান হান্না কাঞ্চিপুরদগী হোঙ্গৎলকখিবসু। খ্বাই খুনফমসু কৌই।
(ক) মৈদিংঙু অসিনা হোঙ্গৎলকপদু শক কয়াদনো?
(খ) শক কয়াদনা মফমসিদা হোঙ্গৎলক্লবা লৈবাক শূবা হৌখিবগে?

২। “চাউবসু কবিনি হায়বদা কনাসু য়েৎলোই। অদুবু কমলগা ফম্মিন্নবদদি য়েংবদা নুংঙাইতে।” ৱাফম অসি কনানা হায়রম্বনো?

৩। “ঐগী ইচে, ঐগী শকয়েং মিংশেলনি। ...ঐগী ইচেদি পোকখায়গদৌবগী ঙাইদুনা লৈরিবা বোমনি।” ৱাফম অসিমনা কনানা হায়বনো?

৪। “হৌজিকপু তূম্বা মতমলা ইতা/ময়াং ক্বাক্লা লাক্লা খোংলি/মীনাই য়োহ্লিং কক্কনি চৎখিবা/নথংলেন শিবগী অশি পাউনিনে।” ৱাফম অসিনা অইবী কনানা হায়রিবনো?

৫। “নোক্কনবী নঙনা নোকখিদ্রবদা/নোকশিরা ঐবু কপশিরা?” ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংনি। কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।